

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দ স্লামদা নুপীগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল মায়পাক্লুনা সেমি ফাইনেলদা সেরিনা ৱিল্লিমসকা লম্বা তৌগদৌরিবী পোলেন্দগী এগনিস্কা রাদৱান্সকা*

*২০১২ য়ুরোপিএন চেম্পিয়ন্সিপতা মিটর ৮০০গী সিলভর মেদল ফংলবা মতুং দোপিং স্কেন্দলদা চেন্নবদগী চহি অনি আথিংবা থমখ্রবী রুসিয়াগী এঠলেট এলিনা মারাচেভা*

*ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট–২০১৬*

## নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা সেমি ফাইনেলদা স্বিজরলেন্দগী ফেদরর অমসুং সার্বিয়াগী জোকোবিচ থেংনরগনি



*ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী নুপাগী অহানবা সেমি ফাইনেল থেংনগদৌরিবা রোজর ফেদরর (ওই) অমসুং নোবাক জোকোবিচ*

*মেলবোর্ন, জনুৱারী ২৬ঃ*

ৱার্ল্ড নম্বর ১ নুপাগী টেন্নিস শান্নরোই ওইরিবা সার্বিয়াগী নোবাক জোকোবিচ অমসুং ৱার্ল্ড নম্বর ৩ স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা চহি অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা সেমি ফাইনেলদা থেংনরগনি ।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৱার্ল্ড নম্বর ১ নোবাক জোকোবিচনা ৱার্ল্ড নম্বর ৭ কৈ নিশিকোরিবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬–৩, ৬–২, ৬–৪দা থোইবা ঙমখিবনি ।

ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা জোকোবিচকী মায়কৈদগী ৱার্ল্ড নম্বর ১ ওইবগী ফজবা মশান্নদু উৎপা ঙমখিদ্রবসু জপানগী নিশিকোরিবু লাকশিনবা ঙমখি ।

নিশিকোরিগী মায়কৈদগীসু মশা মথন্তা শোইবা সোট কয়া য়াওখিবা অদুনা মরম ওইরগা মায়থিবা নং খিবনি । অহানবা অমদি অনিশুবা সেটতা নিশিকোরিগী সার্বিস গেম অমমম ব্রেক তৌদুনা ৬–৩, ৬–২ দা নোবাক জোকোবিচনা মায়পাকপদগী সেট অনি মাংজিল থাবা ঙমখি ।

অহুমশুবা সেটতা জপানগী শান্নরোই কৈ নিশিকোরিনা নোবাক জোকোবিচকী সার্বিস গেম অনিরক ব্রেক তৌবা ঙমদুনা গেম ৩–১দা মাংজিল থাবা ঙমখিবনি । অদুবু খুদোংচাবা অদু মহাক্না মখা তানা থন্বা ঙমখিদবদগী শান্নরিঙৈ মনুংদা য়াম্না তাংনা থেংনা থৌদোক অমদা নিশিকোরিনা মহাক্কী বেট অদু লং থোক্তুনা অশাওবা উৎখি ।

জোকোবিচনা অহুমশুবা সেট অদুদা মখা তারকপা গেমশিং অদু মায়পাক্লকপা মরমনা নিশিকোরিবু ৬–৪দা থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা রোজর ফেদররগা থেংনগদৌরিবনি।

ৱার্ল্ড নম্বর ৩ স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলগী মেটচতা জেক রিপব্লিক্কী শান্নরোই টুর্নামেন্ট অসিদা ৬শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা তোমাস বার্দিসকা লম্বা তৌনবদা অহানবা সেটতা য়াম্না অকনবা লাম্ছেং অমা থেংনরবা মতুং তাই ব্রেক্তা মায়পাকপা ঙমখি ।

অহানবা সেট অদুদা নাকল অনিমক্তুগী হেঞ্জিন্নবা ঙম্নদবদগী তাই ব্রেক শান্নবদা ফেদররনা ৭–৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাংজিল থাখি । অনিশুবা সেট ফেদররনা ইৱা ৱাদনা ৬–২ দা থোইরবা মতুং অহুমশুবা সেট অদুসু ৬–৪ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা জে াকোবিচকা লম্বা তৌনগদৌরিবনি ।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনিদা মায়পাক্লবী ৱার্ল্ড নম্বর ১ য়ু এসকী সেরিনা ৱিল্লিমস অমসুং পোলেন্দগী ৱার্ল্ড নম্বর ৪ এগনিস্কা রাদৱান্সকাগা অহানবা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরি ।

সেরিনা ৱিল্লিমসনা ঙসি মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিদা মঙাশুবা সিদেদ ওইরিবী রুসিয়াগী মারিয়া সারাপোভাগা লম্বা তৌনখি । অহানবা সেট শান্নরোই অনিগী মরক্তা মখোয় মখোয়গী হৈজবা পুন্বা পুথোক্লদুনা মায়োক্লরকপদা সারাপোভাগী সার্বিস গেম অমা সেরিনা ৱিল্লিমসনা মতাং মতম চানা ব্রেক তৌবা ঙমখিবদগী ৬–৪দা সেট অদু মায়পাক্লগা মাংজিল থাখি ।

অনিশুবা সেট শান্নরোই অনিগী মরক্তা অহানবা সেটতা লৈখিবা লম্বা অদু উবা ফংখিদে । সারাপোবাগী মায়কৈদগী গেম অমখক থোইবা ঙম্লগা অতোপ্পা গেম ৬ সেরিনা ৱিল্লিমসনা থোইদুনা ৬–১দা সেট অদু মুনখিবনি ।

পনবা য়াবদি ঙসি সারাপোভাবু সেরিনা ৱিল্লিমসনা থোইখিবা অসি থারগা শান্নরোই অনিগী মরক্তা মেটচ ১৮ থেংনরকপদা ১৮ মক সেরিনা ৱিল্লিমসনা থোইবা ঙম্লি ।

সেমি ফাইনেলদা সেরিনা ৱিল্লিমসনা স্পেনগী শান্নরোই টুর্নামেন্ট অসিদা ১০ শুবা সিদেদ ওইরিবী করলা স্বারেজ নাভারোবু সেট ২–০দা থোইরম্বী টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা সিদেদ শান্নরোই পোলেন্দগী এগনিস্কা রাদৱান্সকানা লম্বা তৌনরগনি ।

রাদৱান্সকানা নাভারোবু ষ্ট্রেট সেট অনিদা মায়থিবা পীখি । অহানবা সেট ৬–১দা থোইরবা মতুং অনিশুবা সেট অদু ৬–৩ দা থোইদুনা সেরিনা ৱিল্লিয়মসকা সেমি ফাইনেলদা থেংনগদৌরিবনি ।

মিক্স দবলসতা ইন্দিয়াগী সানিয়া মির্জা অমসুং লিএন্দর পেজ তোঙান তোঙানবা জুরাগা লম্বা ক্বার্টর ফাইনেলদা তৌনরগনি । মির্জানা ক্রোএসিয়াগী আই দোদিক্কা জুরা ওইদুনা অনিশুবা রাউন্দদা পাকিস্টানগী কুরেসি অমসুং কজ াকস্টানগী সোইদোভাবু থোইরম্বনি । অদুগা পেজ অমসুং মার্টিনা হিঙ্গিসনা য়ু এসকী ষ্টেফন অমসুং নেদরলেন্দগী রোজরবু থোইরমখি ।

## ইষ্ট বেঙ্গলনা দি এস কে সিবাজিয়ান্সপু পাঞ্জল ১–০দা থোইদুনা লীগ টেবলদা অনিশুবা পোজিসন্দা লৈখ্রে



*দি এস কে জিবাজিয়ান্সকী মায়োক্তা ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোইনা বোল মুনখিবা মতাং*

*কোলকতা, জনুৱারী ২৬ঃ*

ইন্দিয়াগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনিশুবা থাক্তা লৈরিবা আই লীগকী ঙসি কোলকতাদা লৈবা য়ুব ভারতি ক্রিয়াঙ্গল ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মফম অদুগী ক্লব ইষ্ট বেঙ্গলনা মহারাষ্ট্রগী পুনে সহরদা বেজ তৌবা দি এস কে সিবজিয়ান্সপু পাঞ্জল ১–০দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অনিশুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখ্রে ।

ঙসিগী মেটচ অসিগী মমাংদা ইষ্ট বেঙ্গল রাউন্দ অহুম শান্নবা লোয়শিনখিবদা মেটচ অমা মায়পাক্লগা অনি দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৫ ফংলগা মরিশুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি । অমরোমদা দি এস কে সিবজিয়ান্স মেটচ অনি শান্নবদা অমা মায়থিরগা অমা দ্রো চৎতুনা টিম মাপলগী কম্পিটিসন অসিদা নিপালশুবা পোজিসন্দা লৈখিবনি ।

দি এস কে টিমনা মমাংদা শোইখিবশিং অদু ফুগৎপা ঙম্লনবা ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়োক্তা পাঞ্জল চন্বা ঙম্লনবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি । অদুবু এক্সপরিয়েন্স লৈবা হেল্লবা ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী শান্নবা হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ বোল অমা পুশিন্দুনা মঙাশুবা মিনিটতা দি এস কেগী দিফেন্দরনা ফাউল তৌরকপদগী ফ্রি কিক অমা ফংখি । ফ্রি কিক অদু ইষ্ট বেঙ্গলগী সোমিক দে দোননা কাওখিবনি । অদুবু মপা চুল্লবসু গোলকিপরনা ঙাকথোকখি ।

থংনবা মিনিটতসু ইষ্ট বেঙ্গলনা কোন্নর কিক অমসু ফংখি । দোনা অমুক হন্না কাওরিকখিবা বোল অদু কলেক তৌবিনবা টিমমেট লৈখিদবদগী অরেম্বা তাখি ।

নিপালশুবা মিনিটতা ইষ্ট বেঙ্গলগী মার্টিন্সনা ফংখিবা বোল অমা দি এস কেগী পেনালটি মনুংদগী মখোঙ ওইনা মপা চুম্না ইনশিনবা ঙমহৌদবদগী পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা তাঞ্জা অমা মাংজখি ।

দি এস কেগী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা এটেক্ট অমদা শান্নবগী ১৩ শুবা মিনিটতা কোন্নর কিক অমা ফংখি । অদুবু বোল অদু অরেম্বা তাখি । ১৯ শুবা মিনিটতা দি এস কেগী দোহু পিএরিনা কাওরকখিবা কোন্নর কিক অমা য়াম্না ফজবা মওংদা ইষ্ট বেঙ্গলগী পেনালটি এরিয়াদা তারকখি । অদুবু বোল অদু কলেক তৌরগা ইষ্ট বেঙ্গলগী গোল লাইন্দ মনুং তম্না ইনশিবীনবা শান্নরোই অমত্তা লৈরমদবদগী অরেম্বা তাখিবনি ।

শান্নবগী পুংখাই শুজিল্লকপদা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু কিংফিসর ইষ্ট বেঙ্গলগী টিমনা চনবা ঙমখি । টিম অদুগী বিকাস জাইরুনা কাওরকখিবা কোন্নর কিক অমা দি এস কেগী গোলকিপরনা ইম্ছোকপা ঙমখ্রবসু বোল অদু বেঙ্গলগী টিম অসিগী মরুওইবা ষ্ট্রাইকর অমা ওইরিবা রেন্দি মার্টিন্সনা মফম চানা লৈরম্বদগী কাওশিনখিবদা পাঞ্জল ওইখিবনি ।

মেটচকী অহানবা হাল্ফ রেন্দি মার্টিন্সকী পাঞ্জল অদুনা হেন্দুনা দি এস কে সিবাজিয়ান্সপু মাংজিল থাদুনা চৎখি । অনিশুবা হাল্ফ হৌরকপা মিনিট অহুম চংশিল্লকপদা ইষ্ট বেঙ্গলনা মেটচকী অনিশুবা পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাংজখি ।

ইষ্ট বেঙ্গলকী ষ্ট্রাইকর মোহমদ রাফিনা ফংখিবা বোল অমা দি এস কেগী দি বোক্সকী মতোন্দা ফংদুনা মখোঙ য়েৎনা কাওশিনখিবা বোল অদু পোষ্টতগী খরা থৈদোকখিদুনা খুদোংচাবা মাংজখি ।

দি এস কে সিবাজিয়ান্সকী মায়কৈদগী ইষ্ট বেঙ্গলগী রেন্দি মার্টিন্সনা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লনবা মখোয়গী অরৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা হোৎনরকখি । অদুবু ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী মিদফিল্ডদা শান্নরিবা অমদি মখোয়বু চাওনা মতেং পাংখিবা দিফেন্দরশিংনা পুনেগী শান্নরোইশিং অদুনা পুশিল্লকপা বোল মখোয়গী গোল লাইন্দ য়ৌদনবা নিংথিনা থিংদুনা লৈখিবদগী স্কোর বোর্দ অদু হোংবা ঙমদনা লৈখি ।

শান্নবগী ৮৯ শুবা মিনিটতা সুব্রাতা পোলনা কাওখিবা ফ্রি কিক অমা ইষ্ট বেঙ্গলগী গোল পোষ্টতগী থাপতোক্লা চৎখিবদগী মেটচ অদু ইষ্ট বেঙ্গলনা ১–০দা থোইখি ।

| RA | Team | Pts | Pld | W | D | L | GF | GA | GD |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Bengaluru FC | 9 | 3 | 3 | 0 | 0 | 6 | 1 | 5 |
| 2 | Kingfisher East Bengal | 8 | 4 | 2 | 2 | 0 | 5 | 2 | 3 |
| 3 | Mohun Bagan | 7 | 3 | 2 | 1 | 0 | 8 | 4 | 4 |
| 4 | Mumbai FC | 5 | 3 | 1 | 2 | 0 | 2 | 1 | 1 |
| 5 | Sporting Clube de Goa | 4 | 3 | 1 | 1 | 1 | 3 | 3 | 0 |
| 6 | Aizawl FC | 3 | 4 | 1 | 0 | 3 | 3 | 6 | -3 |
| 7 | Shillong Lajong FC | 1 | 2 | 0 | 1 | 1 | 0 | 3 | -3 |
| 8 | DSK Shivajians | 1 | 3 | 0 | 1 | 2 | 0 | 3 | -3 |
| 9 | Salgaocar FC | 0 | 3 | 0 | 0 | 3 | 4 | 8 | -4 |

## ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিম্না ওষ্ট্রেলিয়াবু অহানবা টি–২০ মেটচ ৱিকেট ৫দা থোইখ্রে

*এদলেদ, জনুৱারী ২৬ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়া ক্রিকেট টুরদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিমনা ঙসি লৈবাক অদুগী সহর এদলেদতা শান্নবা টি–২০ মেটচ অহুমগী সেরিজকী অহানবা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা য়ুম্বু লৈবাক অদুবু ৱিকেট ৫দা মায়থিবা পীখ্রে ।

ঙসি মেটচ অদুগী তোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা বোলিং তৌদুনা ওষ্ট্রেলিয়াবু হান্না বেটিং তৌহনখি । ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী ওভর ২০ শান্নখিবা অদুদা ৱিকেট মঙা তুরগা রন ১৪০ খক লৌখি । টিম অদুগী মায়কৈদগী ৭ শুবা বেটসৱুমেন ওইখিবী এ হিলিনা আউত ওইদনা রন ৪১ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোমেন্স ওইখি । মহাক্না শুপ্পগী বোল ১৫ মায়োক্লবদা ফোর মঙা অমসুং সিক্স অনি য়ৈরমখি ।

টিম অদু হৌরকপদা ফিভম য়াম্না শোকখিবনি । স্কোর বোর্দতা রন অমখক লৌদুনা লৈরিঙৈদা ওপন্নর জি হেরিস রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা ইন্দিয়াগী বোল্লর জুলন গোস্বামিনা আউত তাহনখি ।

মহাক্কী মতুং ওষ্ট্রেলিয়াগী অতোপ্পা ওপন্নর ওইরিবা বি মুনিনা রন ৩৬ লৌখিবা মঙাশুবা বেটসৱুমেন ব্লেকৱেলনা আউত ওইদনা রন ২৭ লৌখিবা লোয়ননা ই পেরিনা রন ১৯ অমসুং এম লানিংনা রন ১২ লৌখিবা অদু শিংথাবা য়াবা পর্ফোমেন্স ওইখি ।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বোল্লর পুনম য়াদবনা ৱিকেট অনি অদুগা গোস্বামি, পান্দে অমসুং পাটিলনা ৱিকেট অমমম লৌখি ।

মায়পাক্লনবা দরকার ওইখিবা রন ১৪১ অদু লৌননবা হোৎনরকপদা ইন্দিয়াগী নুপীগী শান্নরোইশিং অদুসু হৌরকপদা ফিভম শোকখি । ওপন্নর অমসুং কেপ্টেনসু ওইরিবী মিথালি রাজ শুপ্পগী রন ৪ দা আউত ওইদুনা ইন্দিয়াগী অহানবা ৱিকেট তুখিবনি । মহাক্কী মতুং শিন দুনা চংলকখিবী কৃষ্ণমুর্থি অমসুং অতোপ্পা ওপন্নর মন্ধানা রন ৬২ ফাওবা য়ৌহনখি ।

মন্ধানা রন ২৯ দা আউত ওইখ্রবা মতুং মরিশুবা বেটসৱুমেন ওইনা হরমনপ্রিত কোর শান্নবা চংলকখি । মহাক্না কৃষ্ণমুর্থিগগী পার্টনরশিপ অদুসু কুইবা ঙমখিদে । রন ১২ হাপচিল্লগা মখোয় অনিগী পার্টনরশিপ অদু কাইখি ।

কৃষ্ণমুর্থি রন ৩৫ দা আউত ওইখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর ৱিকেট অহুমদা রন ৭৪ লৌদুনা লৈখি । অনৌবা শান্নরোই জুলন গোস্বামি শুপ্পগী রন ৫ দা আউত ওইদুনা ইন্দিয়াগী বেটসৱুমেন মরি অপুনবা স্কোর ৯১দা আউত ওইখি ।

নৌনা চংলকখিবা অনুজা পাটিল অমসুং হরমনপ্রিত কোরনা মঙাশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক্তা রন ৪১ হাপচিনবা ঙমখি । ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর তৌবা ঙমখিবী হরমনপ্রিত কোর রন ৪৬ লৌরম্লগা আউত ওইখি । মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা বোল ৩১ মায়োক্লখিবদা ফোর তরুক অমসুং সিক্স অমা য়ৈরমখি ।

তরেৎশুবা বেটসৱুমেন সিখা পান্দে শান্নবা চংলকখি । মায়পাকপগী রন ৯ খক ৱাৎখিবা অদু মহাক্না অনুজা পাটিলগনা মথং শিংনা আউত ওইদনা রন ৪ অমসুং ১৪ লৌরগা য়ৌখবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা ৱিকেট মঙাদা থোইখিবনি।

টিম অনিনা অনিশুবা অমদি অহুমশুবা টি–২০ মেটচ থা অসিগী ২৯ অমসুং ৩১ দা শান্নগদৌরি ।



*ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী রন ৪৬ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজখিবা হরমনপ্রিত*

## কালিঙ্গা লেন্সর্সনা য়ু পি ৱিজার্দস থোইদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে

*লক্ষ্মৌ, জনুৱারী ২৬ঃ*

ইন্দিয়াদা চথরিবা হিরো হোক্কি ইন্দিয়া লীগকী ঙরাং শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা কালিঙ্গা লেন্সর্সনা য়ুপি ৱিজার্দসপু পাঞ্জল ১০–২দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাংজিল থাবা ঙমখ্রে ।

ঙরাং লক্ষ্মৌদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অদু কালিঙ্গা লেন্সর্সনা মফম অদুগী টিম ওইরিবা য়ু পি ৱিজ ার্দসপু পাঞ্জল ১০–২দা থোইবা অদু থারগা লীগ অসিগী মেটচ অনি থংনা থংননা মায়পাকপা ওইরিবনি।

মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ১৪ শুবা মিনিটতা য়ু পি ৱিজার্দসকী মায়কৈদগী পেনালটি ষ্ট্রোক অমগী মতেংনা গোঞ্জালো পৈলাকনা চনবা ঙমখিবনি । পাঞ্জল অদু ইকুই কুইদনা কালিঙ্গা লেন্সর্সনা হন্দোকপা ঙমখি । ২০ শুবা মিনিটতা টিম অদুগী অরান জালিস্কিনা চন্দুনা পাঞ্জল মান্নখি । মদুগী মতুং টিম অসিদা শরুক য়ারিবা ওষ্ট্রেলিয়া মচা গ্লেন টর্নরনা মহাক্কী মেটচ অদুদা পুন্না পাঞ্জল অনি চনখিবা অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৪৩ শুবা মিনিটতা চনবা ঙমখি ।

য়ুম্বু ওইখিবা য়ু পি ৱিজার্দসকী শান্নরোইশিং কালিঙ্গা লেন্সর্সকী শান্নরোইশিংনা চনশিল্লকখিবা অহেনবা পাঞ্জল অমা অদু হন্দাকপা ঙমদনা লৈখি । অনিশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ কালিঙ্গা লেন্সর্সকী অতোপ্পা শান্নরোই লালিত উপাধ্যেনা ৪৫ শুবা মিনিটতা চন্দুনা পাঞ্জল ৩–১দা ৱিজার্দসপু মাংজিল থাখি ।

গ্লেন টর্নরনা থংনবা মিনিট অনি লৈরগা মেটচ অদুগী মরিশুবা অদুগী মহাক্কী ওইনা অনিশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ৪–১দা স্কোর অদু মখোয়না হেন্দুনা লৈখি ।

লেন্সর্সকী মায়কৈদগী মখা তারকপা মেটচ অদুগী শান্নবদা শুপ্পগী মিনিট মরিগী মনুংদা পাঞ্জল ৪ অমসু হাপচিন্দুনা স্কোর বোর্দতা ৮–১দা লেন্সর্সনা হেন্দুনা লৈখি ।

শান্নবগী অরোইবা মিনিটতা কালিঙ্গা লেন্সর্সকী মায়কৈদগী ধরম্বির সিংহনা ফিল্ডগোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ৯–১দা হেন্দুনা লৈখিবনি অদুবু শান্নবগী অনৌবা স্কোরিং সিষ্টেম অমগী মতুং ইন্না ফিল্ড গোল অমদি পেনালটি ষ্ট্রোক্তুগী ফংবা গোল অদু মশিং অমমম হেনগৎনা থাখিবনা মরম ওইদুনা কালিঙ্গা লেন্সর্সকী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৯ চনখ্রবসু ফিল্ড গোল অমা য়াওবনা অমা হেনগৎলগা ১০ ওইখিবনি । অমরোমদা য়ু পি ৱিজার্দকী মায়কৈদগী মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু পেনালটি ষ্ট্রোক্তুগী চনখিবা মরম ওইবনা টিম অদুগী স্কোর অদুসু ২ শুবা ঙমখিবনি ।

মায়পাকখিবা অসি থারগা লেন্সর্সনা মেটচ অহুম শান্নবদগী পোইন্ট ১১ ফংলগা পোইন্ট টেবলদা মাংজিল থাদুনা চৎলি । মখোয়গী মখুত্তা ঙরাং মায়থিবা য়ু পি ৱিজার্দস মেটচ ৪দা পোইন্ট ৭ ফংলগা মরিশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

লেন্সর্সনা শগোলশেল নুমিত্তা মমাংগী চেম্পিয়ন রাঞ্চি রেজগা শান্নগনি । অদুগা ৱিজার্দসনা ফেব্রুৱারী ১দা দিল্লি ৱেবরাইদর্সকা থেংনগনি ।



*কালিঙ্গা লেন্সর্সকী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনি চনখিবা টর্নর*

## নেহৱালনা মহাক্কী অৱার্ড কোচ বিমালদা কৎথোকখ্রে

*মুম্বাই, জনুৱারী ২৬ঃ*

ইন্দিয়াগী নম্বর ১ বেদমিন্টন শান্নরোই সাইনা নেহৱালনা ঙরাং চহি অসিগী ওইনা মঙোন্দা পীখিবা পদ্মা ভুষণগী মনা অদু মহাক্কী কোচ য়ু বিমালকুমারদা কৎথোকখ্রে ।

নিংশিংবা য়াই বিমালকুমারগী লমজিং মখাদা সাইনা নেহৱালনা মালেমগী নুপীগী মকোক থোংবা শান্নরোইবা ওইবা ঙম্লকখিবনি ।

মশাগী চহি ২৫ শুরবী সাইনানা বেদমিন্টন মশান্নগী ওইনা ফংবা য়াবা মনা পুম্নমক ফংখ্রবনি । ২০০৯দা অর্জুন এৱার্দ অদুগা থংনবা চহি ২০১০দা রাজিব গান্ধি খেল রত্না এৱার্দ অমসুং পদ্মা শ্রী এৱার্দসু ফংখ্রবীনি ।

নেহৱালনা মখা তানা ফোংদোরকপদা হৌখিবা চহিদা মহাক্কী কোচ বিমালকুমারনা মহাকপু ৱার্ল্ড নম্বর ১ ওইহনবতা নত্তনা অতোপ্পা টাইটল কয়া ফংহন্দুনা মশান্না অসিদা মকোক থোংবা শান্নরোই অমা ওইবা ঙম্লকখিবনি ।